

# সনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, SATURDAY, JUNE 23, 2018 PAGE 7**

*ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ক্কিন্স ক্লব চেম্পিয়ন্সিপ টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা য়ুএসএগী সাম ক্কেরিবু মায়থিবা পীরম্নগা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক*

*জর্মনিগী জোর্জেসপু ক্কার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মায়থিবা পীদুনা বিরমিংঘাম ক্লাসিক টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবী জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভা*




## নাইজেরিয়ানা আইসলেন্দবু থোইদুনা নোক আওট ষ্টেজ চঙবগী আশা লৈহনখ্রে, ব্রাজিলসু মায় পাকখ্রে



*নাইজেরিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী চনখিবা অহমেদ মুসা (ওই) না পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

*মোস্কো, জুন ২২ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্ফু ওইদুনা মালেমগী মকোক থোংবা লৈবাক ৩২ না লম্বা তৌনরিবা ফিফা ৱার্ল্ড ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ 'দি' গী মেটচ অমদা নাইজেরিয়ানা আইসলেন্দবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবগী লম্বেল লৈখ্রে, গ্রুপ 'ই' গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ব্রাজিলনা কোষ্টা রিকাবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইখ্রে।

গ্রুপ 'দি' গী নাইজেরিয়া অমসুং আইসলেন্দনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিন্নবগী খুদোংচাবা ফংনখ্রবসু মায় পাকপা ঙম্নদনা লাকখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা নাইজেরিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক তৌদুনা আইসলেন্দগী মায়োক্তা বোল পুশিন্দুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। টিম অদুগী শান্নরোইশিংনা ৪৯শুবা মিনটতা চথ্নরকখিবা এটেক অমদা অহমেদ মুসানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা আইসলেন্দবু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অমা শোথ্নরবা আইসলেন্দগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা ফনা কন্না হোৎনখ্রবসু নাইজেরিয়াগী দিফেন্দরশিংনা থিংদুনা লৈখিবদগী ইক্কেলাইজর ওইবা ঙমদনা লাকখি।

আইসলেন্দনা ইক্কেলাইজর ওইবা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা নাইজেরিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথ্নরকখিবা এটেক অমদা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা অহমেদ মুসানা মহাক্কী অমদি টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা আইসলেন্দবু ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা আইসলেন্দনা ফংখিবা পেনাল্টি অমা টিম অদুগী শান্নরোই গাইলফি সিগরসননা কাওশিনবদা পাঞ্জল ওইহৌখিদ্রবা মতুং মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মিনট খরা অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু নাইজেরিয়ানা আইসলেন্দবু ২–০ দা থোইদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবগী আশা লৈহনখ্রে।

গ্রুপ 'ই' গী ঙসি ব্রাজিল অমসুং কোষ্টা রিকানা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নখিবা মরম্না অহানবা হাল্ফকী শান্নবা অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপা অদুদসু মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল লৈনখিদে। মেটচকী ইনজুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ফিলিপ কোটিনহোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা কোষ্টা রিকাবু ১–০দা মাঙজিল থাখি।

ইনজুরি টাইম অদুগী ৭শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী মখা তাবা এটেক অমদা টিম অদুগী মরুওইবা শান্নরোই নেমরনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা কোষ্টা রিকাবু ২–০ দা মায়থিবা পীখি।



*কোষ্টা রিকাবু মায়থিবা পীবদা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা নেমর (ওই) না টিমমেটকা হরাওবা ফোঙদোকপা*

**MATCH ON 23-06-2018**

| | |
|---|---|
| **Group G** | |
| Belgium vs Tunisia | 05:30pm |
| **Group F** | |
| Mexico vs South Korea | 08:30pm |
| Germany vs Sweden | 11:30pm |

## ঙসিদগী হৌগদৌরিবা মেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানগা লম্বা তৌনরগনি

*ব্রেদা, জুন ২২ঃ*

নেদরলেন্দসনা য়ুম্ফু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি ব্রেদাদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা মেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিগী অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানগা লম্বা তৌনরগনি।

এসিয়া কপ হোক্কিগী চেম্পিয়ন ওইরিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিগী পুৱারীদা ৩৬শুবা ইদিসন ফাওবা লোইশিনখিবদা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমদনা লাক্লি।

নীংশিবা য়াবদি কুমজা ২০১৬ দা ইংলেন্দনা য়ুম্ফু ওইরগা লন্দনদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসি হৌজিক–হৌজিক ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী মখূত্তা ফাইনেল মেটচ পেনাল্টি সুট আওটতা মায়থিদুনা রন্নর্স অপ তাহৌবা অদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইরি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসি হৌজিক–হৌজিক ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ৬শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি। অদুগা পাকিষ্টানগী নুপাগী হোক্কি টিম্না ৱার্ল্ড নম্বর ১৩ দা লৈরি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসিনা কুমজা ২০১৬ কী এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিগী ফাইনেলদা পাকিষ্টানবু মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৭ গী হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ সেমি ফাইনেলগী গ্রুপ মেটচতা পাকিষ্টানবু পাঞ্জল ৭–১ দা য়াম্না চাওনা মায়থিবা পীবা ঙমখিবনি। লোয়ননা লীগ অসিগী ৬শুবা অমদি ৭শুবা পোজিসনগী লম্বা তৌনবদা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু অমুক হন্না পাঞ্জল ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসিনা মমাঙ চহীদা বাংলাদেশকী কোনুং ধাকানা য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোকখিবা এসিয়া কপ হোক্কিগী ফাইনেলদা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা চহী ১০ গী মতুংদা অহানবা ওইনা টাইটল লৌদুনা ফজবা ঙমখিবনি।

ওলিম্পিক্কী গোল্ড মেডল ৮ লক ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসিদা শরুক য়ারিবা গোল কিপর পি আর স্রিজেসনা কেপ্টেন ওইরি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসি ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্ফু ওইরগা পাঙথোকখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমসতা ৪শুবা পোজিসন তাহৌবনি। অদুগা হয়েং ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনগদৌরিবা পাকিষ্টানগী নুপাগী হোক্কি টিম গেমস অসিদা ৭শুবা পোজিসন তাহৌখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিমগী কোচ হরেন্দ্র সিংনা ওইরি অদুগা পাকিষ্টানগী কোচনা ইন্দিয়াগী হান্না নুপাগী হোক্কি টিমগী কোচ ওইরম্বা রোলেন ওল্টমেননা ওইরি।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা মেটচ জুন ২৪ দা শান্নগনি লোয়ননা জুন ২৭ দা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগা লম্বা তৌনরগনি। মখা তানা ইন্দিয়ানা জুন ২৮ দা বেলজিয়মগা শান্নরবা মতুং মখোয়গী অরোইবা লীগ মেটচ অদু জুন ৩০ দা য়ুম্ফু নেদরলেন্দসকা শান্নগনি।



*ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কিগী চীফ কোচ হরেন্দ্র সিংহনা চেম্পিয়ন্স ট্রোফিতা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংদা পাওতাক পীবা*

## 'হৌরে থাজবা কয়া থাজদবা কয়া রুশিয়া ২০১৮, ফিফা ৱার্ল্ড কপ'

**এল. কালা, উরিপোক**

জগৎকী মবুংঙো শ্রী শ্রী জগৎনাঠনা লেঙলকপা থাগা ইরোইননা জুন ১৪, ২০১৮ না য়ৌরকখ্রবদা লৈকাই মচি–মচি খুদিং, লৈকাই লৈকাই হোটেল খুদিং, থেংন থেংনা মাইয়োক্ল খুদিং মফম খুদিং ৱা–ৱা, ৱারী ফিফা ৱার্ল্ড কপ রুশিয়া, পুন্নাং লাংই পুমনিল নিল্লি শান্নববু পামজবা সনা লৈবাক মণিপুর ঈশিং ঈচাওগী অৱা–অনা মরক্তা খ্বাইদগী ফজবা মশান্না ফুটবোলগী মৱা মপাও কয়ানা কাচিন কোয়া শিন থুংনা য়েল্লদুনা অঙকপনি ফুটবোল কৌবা মশান্না নংগী নগুনসে। অয়েংবা পুম্নমকপু পেলহল্লি, নুংঙাইহল্লি, নিংবা কাইবদা শরুক য়াহল্লি। পূক্লিং ৱাখল থাজবা কয়া থমদুনা তৌথোরকপা য়াই তৌথোরক্তবা য়াই খন্ন–খন্না লাংতক্লরিঙৈ থাজবা কয়া থাজদবা কয়া অনীরকশুবা অমুক হন্না হেক তৌবা ঙম্লরোইদবা য়াররোইদবা কয়াগী খুৎকাও, খুৎচন খুৎঙাকথোক কয়ানি উরিবা থেংনরিবা অঙকপা ময়ামসি, মসিননি নংবু পুম্নমক্না 'কিং ওফ দি গেম' হায়বগা ইরোইননা 'বিউটিফুল গেম' হায়না শৈথানরিবা। কনবা মপা লৈতে, থোৎপদা লৈরাংগী লৈনাগুমই, নংগী নতম্বাক্তা শান্নরোইশিংনা চেনলিবা চোংলিবা উরগা শগোল কৌবা শানা চেনবা চোংবা চপ লেপ্পা কৎচানি, চেন্না চেন্না লৈবা থেকপা তনৌ তনৌবা কয়া উবগা করম্নবু থোৎপা নৌবনো খঙদে শান্নরোইশিংগী শাথেক অমদি বোল কন্ট্রোল মসিদনি লৈরাংগী লৈনাগুম থোৎলি শৈথাজরিবা।

অঙকপনি বোল শান্নবা হৈবসু চঙই, লাইবকসু চঙই হায়বদুমক হেক ফিফা ৱার্ল্ড কপ হৌবগা মথং মথং উবা থেংনবা হেক হৌরক্লে হায়বদুনি। স্পেনগী মখূত্তা অমা শোথ্দুনা ২–৩ দা লৈরবা পোর্টুগালনা লোইরবা মতম খজিক্তা ঙাইশিল্লক্লবা মতমদা দি বোক্স খরা হাইদোক্লা ফংবা ফ্রি কিক অমদা রোনাল্ডোনা কাওদুনা পাঞ্জল মান্নহনখিবা খুৎকাও ঙক্তে হায়বা য়ারোই ফজদে হায়বা য়ারোই। বোলগা রোনাল্ডোগা অশেংবা মরুপ শান্নবা দুমাই, শান্নবসু শান্নবজাৎনি হায়রিবমখৈ ইন্নবা মরুপ ওইনা কাওরমদাইদা রোনাল্ডোনা উখিবা মীৎফমসি গোল পোষ্টকী কাচিন্দুখক্তা উখি, মহাক কনামত্তনা হায়বা শকপা লাওবা খোঙবা নিলবা অমত্তা তাদে, মাগী নাকোং দা ৱাখল চোইথোক্তে মাগী পূক্লিংদা মাগী হায়ববু মানা উরিবা মফমদুদা মানা হায়বা য়ারবগুম লৈরবা বোলদু কাওদুনা চঙহনবদুনি মমা লৈবাক পোর্টুগাল চাং তাবা য়াদে। কাওই, চল্লি মসিমক্লি হেন্না হেনবা মগুন য়াওরবা শান্নরোই অমগী তৌবা ঙম্বা। লাইবক্কী মতমসিসু তরাইবা য়াবজাৎ নৎতে, নুমিৎসিদা গোল অহুমক মানা চন্দুনা হৌবদা ঙাইরি তাঙলবা ফিফা এৱার্দ 'গোলদন বুট' ফংবা য়াবগী মকয়া খঙনক নকশিনখ্রে, মোরোকোগা শান্নবদসু মানা অমা চন্দুনা কাবগা লোয়ননা অনীরক শান্নবদা রোনাল্ডো গোল মরি চন্দুনা হৌজিক ফাওবদা মাঙজিল থাবা গোল য়াম্না চনবা শান্নরোই ওইরি।

লম্বা লম্বা থেংনবনি হেক্তা য়াদে, আর্জেন্টিনা মহোইনা কাগদবা মাল্লি আইসলেন্দ লৈবাক্লা শান্নবা। আইসলেন্দ পীশক পীকপা, মীশিং য়াম য়ামদবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অহানবা ক্কালিফাই ওইদুনা য়াওবা লৈবাক ওইজরবসু মালেমদা বোল হৈবদা ফাওরিবা, ফ্রি কিক কাওবদা শোয়গন্দবা ফাওরিবা মেসি য়াওরিবা আর্জেন্টিনাবু চপ চানা মাইয়োক্নদুনা হৈ–শিংবা লৈবাক্লি ঐখোয়সু চপ চানা উৎপা ঙমখি। কনানবু থাজ দগে মেসিনা পেনাল্টি কাওবদা ইরাই লায়না ঙাকথোরক্কনি হায়বসিবু। থাজদে খনবগী ৱানি থাজবদুদি চপ চানা পাঙথোরকখি ঐসি ঙাক্তবা য়াদে হায়না আইসলেন্দগী গোল কিপর ফিল্ম মেকরসু ওইরিবা হান্নেস পোর হোলদোশন্না ইকোম কোম্না য়েৎতা চোংদুনা।

শান্নবা খুদিংগী থোইগদবা মানবা ব্রাজিলনা স্বিটজরলেন্দগা দ্রো চৎপা ব্রাজিল নুংশিজবা পামজবা কয়া অমা নিংবা কাইরোইদবা লৈব্রনে। দ্রো চৎপা য়াই, পোবা য়াই শানবু শান্নরবদি খ্বাইদগী হৈরে হায়না লৈরিবা জর্মনিনা মেক্সিকোগী মখূত্তা ১–০ দা পোবা থাজবগী ৱাংমনি হায়না খন্নবগী ৱানি পোবদি য়াই অহৈবা অখন্নবা ঙাক্তনা শান্নবা ফম্বাকনি। এসিয়াগী লৈবাক জপান্না সাউথ অমেরিকা লৈবাক কলম্বিয়াবু ২–১ দা মায়থিবা পীরিবা জপান লৈবাকপু বোল শান্নবা হৈতে হায়বা য়াব্রদো। হন্দক্লা অহানববু ওইরম্বা য়াই জপাননা সাউথ অমেরিকা লৈবাক অমবু বোলদা মায়থিবা পীবসি।

খঙমিন্নসিঃ– ফিফা ৱার্ল্ড কপ পুৱারীদা তাংনা ফংবা পন্থুং কেপ্টেন অমা ওইনা চেম্পিয়ন ওইবা অদুগা অমুক কোচ অমা ওইরগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা অফাওবা শান্নরোইসি জর্মনিগী ফ্রেঞ্জ বেকেনবরনি। ১৯৭৮–কেপ্টেন, ১৯৯০–কোচ।

## ক্রোএসিয়ানা আর্জেন্টিনাবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল ২০১৮ গী রাউন্দ ওফ সিক্সটিন য়ৌখ্রে

*মোস্কো, জুন ২২ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ 'দি' গী অনীশুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা ক্রোএসিয়ানা আর্জেন্টিনাবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন য়ৌবা ঙমখ্রে।

ক্রোএসিয়াগী টিম মমাঙদা শান্নখিবা মেটচতা নাইজেরিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৩ ফংলগা গ্রুপ অসিগী মকোক ওইখিবনি। অমরোমদা আর্জেন্টিনাগী টিম গ্রুপ অসিগী অহানবা মেটচকী আইসলেন্দগা শান্নবদা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎতুনা শুপ্পগী পোইন্ট অমখক ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

ক্রোএসিয়া অমসুং আর্জেটিনানা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবা হেনখি। আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা ক্রোএসিয়াগী মায়োক্তা বোল পুশিন্দুনা অমনা অমগী মায়োক্তা এটেক তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক তৌবগী চাং হেনখি। শান্নবগী ৫৩শুবা মিনটতা আর্জেন্টিনাগী গোলকিপরনা থওইদনা শান্নবা মশান্না অমদগী গোল পোষ্ট ময়াদা লাকপা বোল অমা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই রেবিক লান্না কাওরকপা বোল অমা এন্টি রেবিকনা ফংদুনা নীংথিনা শেম শারগা কাউশিনবদা পাঞ্জল ওইদুনা ক্রোএসিয়ানা আর্জেন্টিনাবু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অমা শোথ্দুনা লৈরিবা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৮৬শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথ্নরকখিবা এটেক অমদা লুকা মোদ্রিক্লা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা আর্জেন্টিনাবু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ১০ রোম অদুদা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা ক্রোএসিয়াগী মায়কৈদা এটেক কয়া তৌদুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনখি। অদুবু ক্রোএসিয়াগী ফজরবা মশান্না অদুদা আর্জেন্টিনানা শোথ্খিবা পাঞ্জলশিং অদু অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিনখি।

মেটচকী ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা মতমগী অহানবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথ্নরকখিবা এটেক অমদা ইভান রাকিটিকনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা আর্জেন্টিনাবু ৩–০ দা মায়থিবা পীরগা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন য়ৌবা ঙমখি।



*ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা আর্জেন্টিনাবু মায়থিবা পীরবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

## রোমানিয়াগী বুজারনেস্কু বিরমিংঘাম ক্লাসিক্কী নুপীগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক ক্কিন্স টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*বিরমিংঘাম / লন্দন, জুন ২২ঃ*

ইংলেন্দগী সিটি বিরমিংঘাম অমসুং লন্দনদা শান্নরিবা দব্লিয়ুটিএ অমসুং এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্টশিংদা রোমানিয়াগী বুজারনেস্কু বিরমিংঘাম ক্লাসিক্কী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে। লন্দনদা পাঙথোক্লিবা ক্কিন্স ক্লব চেম্পিয়ন্সিপ্তা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

বিরমিংঘাম ক্লাসিক টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্কার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা রোমানিয়াগী বুজারনেস্কুনা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–২ দা থোইরম্নগা সেমি ফাইনেলদা জর্মনিগী জে জোর্জেসপু ৬–১, ৬–০ দা থোইরম্বী জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতা জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা অমসুং স্লোভাকিয়াগী এম রাইবারিকোভা লম্বা তৌনরগনি।

রাইবারিকোভানা ঙসি শান্নখিবা ক্কার্টর ফাইনেলদা স্লোভেনিয়াগী দি জাকুপোভিসপু ৬–২, ৬–৪ দা থোইরমখি। অদুগা ষ্ট্রাইকোভানা য়ুক্রেনগী এল সুরেনকোবু অহানবাসেট ৭–৫ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুসু ৩–০ দা হেন্দুনা লৈরিঙৈদা সুরেনকো মশা শোকপনা মরম ওইরগা শান্নবা ঙমখিদবদগী ষ্ট্রাইকোভা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

লন্দনদা পাঙথোক্লিবা ক্কিন্স ক্লব চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্কার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অহানবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক্না ৫শুবা সিদেদ য়ুএসএগী সাম ক্কেরিবু ৭–৬(৭–৩), ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্নগা সেমি ফাইনেলদা স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজবু ৭–৬(৭–৫), ৭–৬(৭–৩) দা থোইরম্বা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসকা লম্বা তৌনরগনি।